# লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু পাক শন্না হিন্দী দিবসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট (আই বি এস দি), দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজি, মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সাইন্টিষ্টশিং, স্কোলারশিং অমদি ষ্টাফশিং য়াওনা ঙসি আই বি এস দিদা হিন্দী দিবসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না আই বি এস দিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা আই বি এস দিগী দিরেক্টর প্রোফেসর পুলোক কে মুখর্জিনা হৌজিক হৌজিক আই বি এস দিগী মখাদা পাঙথোক্লিবা রিছার্সকী থবকশিং অমদি মীচম মীয়ামদা কান্নবা ফংহন্নবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রিছার্স এক্টিভিটিজগী মনুং চন্না ফার্মরশিং, মেদিকেলগী লমদা লৈবা অমদি ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংগীদমক হিন্দী লোলগী মরুওইবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী ওফিসল লেংগ্বেজগী থবক্তগী পোত্থারবা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর বেদান্তি লৈমপোকপমনা হিন্দী দিবসকী ওইবা নুংগী ৱাখল্লোনশিং অমসুং ওফিসকী থবক থৌরমশিংদা হিন্দী লোলগী তঙাইফদনা খঙ-হৈজিনবগী মরুওইবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না শরুক য়াখিবশিংনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা হিন্দীগী তঙাইফদবা লাকপা ৱাফমশিংসু খঙহনখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা চাংদম্ন বশিংদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনাশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, রাজকিয়া হিন্দী সিক্ষক প্রশিক্সন মহাবিদ্যলয়া ইম্ফালগী মল্টিপর্পজ হোলদা হৌখিবা ওগষ্ট ১৩দগী থা অমা চুপ্পা মখল মথেলগী থৌরম কয়ানা মপুং ওইদুনা চত্থরক্লিবা হিন্দী মাসিক সমারোগী থাবুম ফাবগা লোয়ননা হিন্দী নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা হিন্দী টিচর ট্রেনিং কোলেজগী রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল ডা. এম অচৌবীনা অথোইবা মীথুং, ঐচ টি টি সীগী রিটায়র্দ এসোসিয়েট প্রোফেসর কে ইবোহনবীনা অখন্নবা মীথুং অমদি ঐচ টি টি সীগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর এন সঞ্জয়না থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী হান্নগী ওজাশিং এল কোমোল, ডা. এ ব্রজকুমার, এল রঘুবির অমদি ডা. ঐচ আনন্দি, ডা. টি সুনিতিবালা চনুনচিংবা ওজাশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ডা. এম অচৌবীনা হিন্দী লোলগী হৌরকপগী পুৱারী শন্দোক্না তাকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া পুম্বগী লোল অমা ওইরিবা হিন্দী লোল অসিবু ইমালোলগা শাগোন্ননা চাউখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফম থমখি।

লোয়ননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা ঐচ টি টি সীগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এন সঞ্জয়না তোঙান তোঙানবা লোলশিং তম্বনা মহৈরোয়শিংগী করিয়র শেম্বদা মতেং ওইরিবা অসিগুম হিন্দী লোল তম্বনসু হিন্দী লোলগী চন্নফম অমদি শীজিন্নফম লৈরিবশিংদা ঐখোয়না পুক্নিং চিংশিনগদবনি হায়খি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থাবুম অসিদা পাঙথোকখিবা অথোই-অহেন তান্নবগী থৌরমশিংদা মকোক মথং তারকখ্রবশিংদা মনা-মথুম পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

অমরোমদা, মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী চয়োল অমা চুপ্পা চত্থগদবা হিন্দী চয়োল পালন পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট শ্রীরামনাথ প্রসাদনা ঙসি হৌদোকখ্রে। থৌরম অসিদা ডা. সুরেন্দ্রনচিংবা অখঙ-অহৈশিংনা হিন্দী লোলগী মরমদা ৱা ঙাংখি হায়না মণিপুর হিন্দী পরিষদ ইম্ফালগী প্রচার সচিব হৈখাম মোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# সাইন্টিফিক সোসলিজম নত্তনা মীপুম খূদিংমক থোং মান্ননা ৱাহন্দনা থম্বা অমদি হিংমিন্নবা ঙম্লোই : সী পি আই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : ঙসি-ঙসিমক মীয়াম্না ৱারী-নংলিবা, লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহা কয়ানা থবক ফংদবদগী ৱানা খাঙলিবা অমদি লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী প্রোব্লেম কয়া অসি কোকহনগে হায়রবদি সাইন্টিফিক সোসলিজম নত্তনা মীপুম খূদিংমক থোং মান্ননা ৱাহন্দনা থম্বা অমদি হিংমিন্নবা ঙম্লোই হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী, সী পি আই) গী ষ্টেট সেক্রেটরি এল থোইরেননা ফোঙদোকখ্রে হায়না এম এস সী, সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ৱাফম অসি ঙসি মোইরাং ত্রোংলাওবীদা পাঙথোকখিবা জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক নীংশিং থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরমদুদা এম এস সী, সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল থোইরেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মোইরাং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগুম্বা নেচরেল রিছোর্স মরাং কায়না লৈবা লমদম অসিগী মীয়াম্সু ৱাহন্দুনা থম্লি। লোয়ননা থবক ফংদবা নহা লিশিং কয়াসু লৈহল্লি। অদুগা টুরিজমগী শেমগৎফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া মওং-মরিল তাদনা থবক পায়খৎপনা মদুগী চপ চাবা কান্নবা পীবা ঙমদ্রি। নেচরগী ফজবা উবদগী অহানবা য়েংবা লাক্লম্বা মীশকশিং অমুক হন্না য়েংবা লাক্লিংহন্দ্রে। মসিমক লৈঙাক্কী অশোয়বনি। লোয়ননা ঐখোয়গী লোক্তাক অসি মোইরাংগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীয়ামগী চাক্তাফম অমনি হায়বা অসিসু লৈঙাক্না কাউথোকপগুম তৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মোইরাং ত্রোংলাওবীদা পাঙথোকখিবা জননেতা হিজম ইরাবত নীংশিং থৌরম অদুদা কমরেদ সোরাইশম ইবোহলনা ময়াই তাংবলদা লেংশিনখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা লুচিং পুরেল জননেতা হিজম ইরাবতকী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না কমরেদ নোংথোম্বম সিংহজিৎ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি সী ঐচ শরত অমদি ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর কমরেদ কুমাম বিমোলসু ৱা ঙাংখি হায়রি।

## লৌশিং পুক্কে

# ফুরি থুংবগী মতাংদা খঙজিনবা

### য়াবশিং লোয়ননা পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং



ফুরি থুংবা হায়বসি মহীক মখল অমনা ওইহল্লকপা য়াম্না হাক্কৎচবা উনশাগী অনাবা মখল অমনি। মহীক অসিনা উনশা মনুংদা হুৎচিন্দুনা চঙখ্রগা উনশাগী মনুং থংবা শরুক্তা লৈ অমসুং কনাগুম্বা অমগা শোক্ল-শম্নরুবা মতমদা চোংশিন্দুনা লায়না অসি অমুক শন্দোকই।

ক্রিম মচু মানবা অমসুং মখোঙ নিপাল পানবা মহীক অসি লাবদগী অমোম্না হেন্না চাউই। মহীক অমোম্না উনশা মনুংদা হুৎচিন্দুনা লৈখ্রগা মফমদুদা মরুম কোকই। মপুন্সিদা মহীক অমোম অমনা মরুম ৪০ দগীনা ৫০ ফাওবা কোকই। নুমীৎ ১০ দগীনা ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা মরুম অমনা মপূং মরৈ ফাবা ফুরিগী মহীক ওল্লকই।

ফুরি থুংবা মতমদা হাক্কৎচবা ফাওরিবসি তশেংবদি হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টমনা মহীক ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ওইরকপা থৌওং অমনি। চাংচৎতা মীওই অমদা মহীক ১২ গুম্বা য়াওই। য়েংশিনবীবা ৱাৎলবা অমোৎপা মফমদা লৈবা অঙাংশিংদদি মহীক ১০০ গী মথক্তা লৈবসু য়াওই।

মহীক অসি চোংবা নৎত্রগনা পাইবা ঙমদবা মরম্না লায়না অসি হকথেংননা উনশাগা-উনশাগা থেংনরবা কান্দতা লৌনরকই। অয়াম্বা মতমদা ফুরি থুংবা মীওই অমগা মতম শাংনা খুৎ শোক্নরুবদগী লায়না অসি লৌনরকপনি। হকচাংদা মহীক খ্বাইদগী য়াম্না পকপা মফমসু খুৎনি। মহীক অসি উনশাদা লৈবা তারবসু করিগুম্বা কান্দা উনশাদগী লাপথোকখ্রগা পুং ২৪ দগীনা ৩৬ ফাওবা অদুমক হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ ফুরি থুংবা মীওইশিংগা তুম্ফম-হীপফম অমদি ফদি-ফীরোল পুল্লোইদবনি। তঙাই ফদনা পুনবা তারবসু ঈশিং অশাবনা নীংথিনা শুদোক-চামথোক্লবা মতুংদা শীজিন্নগদবনি।

করিগুম্বা কান্দা পীক্লিবা অঙাংশিংগী মহৈ তম্ফম লোইশঙ নৎত্রগনা মীয়াম পুন্না লৈমিন্নবা হোষ্টেলগুম্বদা ফুরি লায়না পাক-শন্না শন্দোরকপা থেংনৈ। লৈমিন্নরিবা মীওইশিং অয়াম্বা মতমদা তোৎন-তিন্নদুনা লৈবা মরম্না ফুরি থুংবা অমা য়াওরকপদা অরায়বা মওংদা পাক শন্না শন্দোকখিবা ঙল্লিবনি।

কনাগুম্বা ফুরি থুংবা মীওইশিংনা হাক্কৎচবা হোৎপা হেনমনবদগী উনশা তৎপা য়াওই। অতৎপা মফম অদুদা বেক্টিরিয়ানা ইনফেক্ট তৌদুনা উনশাগী অতোপ্পা প্রোব্লেম অমা ওইহল্লকপসু য়াওই।

ফুরি থুংবগা হাইরপ মান্নবা অতৈ অতোপ্পা উনশাগী অনাবশিং লৈবা মরম্না উনশাগী শরুক খরা খেৎলগা লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌবা নত্তনদি চপ চানা খঙবা ঙমদে।

মতীক চানা লায়েংদুনা ফহন্দবা তারবদি ফুরিগী মহীকশিং হকচাংদা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈগদবা মরম্না মতম চানা হীদাক-লাংথক থাদুনা লায়েংবা মথৌ তাই। কনাগুম্বা অমা ফুরি থুংলকপা মতমদা ইমুং-মনুংগী মীওই পুম্নমক্তা লৌনরকপা য়াবা মরম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। মসিগীসু মথক্তা মহীক চঙখ্রবা মতুং চয়োল তরুক ফাওবদি লাইওং অমত্তা উৎথোরক্তবনিনা অহানবদা পাক-হেক খঙবা ঙমদে। লায়না অসি নীংথিনা লায়েংলগা মপুং-ফানা ফহনবা ঙম্মী। তৌবতবু অনাবা অমা য়াওরকপদা ইমুং হুপ্পা লৌনরকপা য়াবা মরম্না চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। লায়েংবা মতমদসু ইমুংগী মীওই পুম্নমক লায়েংদুনা চপ মান্ননা হীদাক থাগদবনি।

লায়না অসি ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্থেদি ফুরি থুংবা মীগা হকথেংননা শোক্না শম্নরুদবা, ফদি-ফিরোল নৎত্রগা ফমুং পুন্দবা হায়বসিনি। কনাগুম্বা অমা ফুরি থুংলকপা মতমদা অথুবা মতমদা দোক্টরগা তান্নদুনা লায়েং চৎথবা হৌগদবনি। মতম চানা লায়েংদবা তারবদি অতোপ্পা মীওইশিংদসু শন্দোকখিবা য়াই।

দোক্টরনা থারকপা ক্রীম নৎত্রগা লোশন তৈদুনা অমসুং হীদাক-লাংথক চাদুনা হকচাংদা লৈবা মহীক পুম্নমক হাৎতোক্ত্রিবমখৈদি ফুরি থুংবা হায়বসি মশা মথনতা ফজখিগদবা অনাবা নত্তে।

ক্রীম নৎত্রগা লোশন অদু ঙকশমদগী হৌরগা মখা চৎথখিদুনা হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা তৈগদবনি। পীক্লিবা অঙাংশিংদদি শমখোঙ অমসুং মায়দসু তৈবা মথৌ তাই। হীদাক তৈশিল্লগা পুং ৮ দগী ১৪ ফাওবা থল্লবা মতুংদা ঈশিংনা শেংনা অমুক চামথোক্কদবনি। তৈব- খক্তনা কান্নবা ফংদ্রবদি দোক্টরনা চান্ন-থক্লবা হীদাক-লাংথক খরসু থারকপা য়াই। মদুদসু কান্নবা ফংদ্রবদি ষ্টেরোইদকী ইঞ্জেক্সন কাপ্পা মথৌ তারকপা য়াই।

অমোৎ-অকায় হায়বসিমক্তবু মহীকশিংগী মকোন শাফম ওইবা মরম্না য়ারিবমখৈ ইমুং-মনুং, য়েন্নখা-লুখা অমদি অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থমগদবনি।

মরক-মরক্তা তীলহাৎ হীদাক কাপথোকপসু অদুমক কান্নগনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মেক্সকী মীদিয়া ফেল্লোশিপ সেপ্টেম্বর ২৯ ফাওবা থাজিল্লকপা য়াগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স)কী অনীশুবা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি মীদিয়া ফেল্লোশিপ ২০২২-২৩ গীদমক প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা থবক তৌরকপা চহী ৩ শুরবা জর্নেলিষ্টশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি। এপ্লিকেসন থাজিল্লকপগী অরোইবা মতমনা চহী অসিগী চৎলিবা সেপ্টেম্বর ২৯ ফাওবা ওইগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর হাওবম রোসিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীদিয়া ফেল্লোশিপ অসিগী মতম নবেম্বরদগী মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ফাওবা পুন্না থা মরি ওইগনি। ফেল্লোশিপ অসিগীদমক খল্লবা জর্নেলিষ্ট অনীদা মখোয়গী সপোর্ট রিছার্স, ট্রেভেল অমদি রাইটিংগীদমক ইন্সটোলমেন্ট অনী থোক্না ষ্টাইপেন্দ ওইনা লুপা লিশিং ৫০ পীগনি। মীদিয়া ফেল্লোশিপ অসিগীদমক ফোর্ম থাজিল্লকপশিংদগী মেক্সকী ওফিসলগী জুরিশিংনা খনগনি হায়রি।

মীদিয়া ফেল্লোশিপ অসিগীদমক জুরিনা খল্লবা মীওইশিংনা ন্যুজ ষ্টোরি ৮ ফোঙগদবনি। ন্যুজ ষ্টোরি অমমমদা ৱাহৈ ১,৫০০ ওইগদবনি। ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া, টি ভি/ওনলাইন মীদিয়াগীনা ভিজ্যুএল ষ্টোরি মঙা ওইগদবনি। ফোঙখ্রবা ন্যুজ ষ্টোরিশিং অদু মেক্সকী ওফিসতা পুন্না সবমিট তৌগদবনি।

মীদিয়া ফেল্লোশিপ অসিগীদমক এপ্লাই তৌরকপা মতমদা এপ্লিকেসনগা লোয়ননা বাইও দেটা, এদিটরনা সপোর্ট তৌবা লেট্টর অমা, মীদিয়া ফেল্লোশিপ অসিগী মনুং চন্না এপ্লিকান্টশিংনা পাঙথোক্লিংবা ৱারোল য়াওবা চে অমা, ঐচ আই ভি/এইদসকী মতাংদা অমদি হকশেলগা মরী লৈননা মমাঙদা ফোঙখিবা কট্টিংশিংসু য়াওহল্লক্কদবনি। হায়রিবা কন্দিসনশিং অসি শুরবা ফ্রী লোঞ্চরশিংনসু ফেল্লোশিপ অসিগীদমক এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি। ফেল্লোশিপ অসিদা এপ্লাই তৌরকপা নুপী জর্নেলিষ্টদসু এনকরেজ তৌগনি হায়রি।

অনীশুবা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি মীদিয়া ফেল্লোশিপ ২০২২-২৩ অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক মেক্সকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর (দি এন্দ পি) ফাঞ্জৌবম লানঙম্বগী কন্টেক্ট নম্বর ৯৮৫৬০৮৬০৮৫ দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# লেবর দিপার্টমেন্টনা জুনিয়র টেক্নিকেল এসিষ্টেন্ট ২৭কী এনগেজমেন্ট ওর্দর মশা-মশাদা খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : পুৱারী ওইবা থৌদোক অমা ওইনা ঙসি লেবর দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নার/কন্সিলিএসন ওফিসর পিটর সলামনা ইন্দষ্ট্রিএল দিস্প্যুট এক্ট ১৯৪৭কী মখাদা কন্সিলিএসন চত্থরবা তুংদা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) দা জুনিয়র টেক্নিকেল এসিষ্টেন্ট (জে টি এ) ২৭কী এনগেজমেন্ট ওর্দর লম্ফেলপাৎতা লৈবা দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নারগী ওফিসতা জে টি এ মশা-মশাদা খুৎশিন্নখ্রে হায়না ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন্স কাউন্সীলগী জেনরেল সেক্রেটরি এ প্রেমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

দিস্প্যুট অসি এম এস পি দি সী এল ঈ ঈ য়ুগী মহুৎ শীন্দুনা ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন্স কাউন্সীল (অমটুক) কী জেনরেল সেক্রেটরি এ প্রেমকুমার, প্রসিদেন্ট পি টিকেন্দ্রজিৎ, এগজিক্যুটিভ মেম্বর এন বিনাবোননা ইমপ্লোয়ীশিংগী মহুৎ শীন্দুনা লোয়ননা এম এস পি দি সী এলগী মীহুৎশিংগা হৌখিবা জুন ১৩দা খুৎয়েক পীনখিবা মেমোরেন্দম ওফ সেট্টলমেন্টকা মরী লৈননা এম এস পি দি সী এলগী ওর্দর অমদা জে টি এ ২৭কী এনগেজমেন্ট ওর্দর দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নার/কন্সিলিএসন ওফিসরগী খুত্থাংদা পীরক্লবা তুংদা এম এস পি দি সী এল ঈ ঈ য়ুগী মেম্বরশিংদা য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

য়াম্না চন্না শীনখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি এনগেজ ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ন (এম এস পি দি সী এল ঈ ঈ য়ু)গী প্রসিদেন্ট চনম গ্যানেন, ভাইস প্রসিদেন্ট নিঙোম্বম ওপেন্দ্রো, ট্রেজরর এম দি জাকির হুসেনগা লোয়ননা মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী খুদোংচাবা লৌরদুনা অমটুককী প্রসিদেন্ট টি টিকেন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, অমটুকনা থবকপু মাঙদা থমদুনা মতম পুম্বদা চৎলি, কনা-কনানা শিন্মীশিংগী য়াইফনবা তৌরিবগে হায়বসিদি মাগী মাগী তৌথোরকপা থবক্তা তাকচবনি। অথৌবশিংগী খুভমদা লৈ কৎপা, ঈকায়খুম্নবা উৎপা, মেম্বরশিং মশীং অদুক শুরে হায়দুনা ক্লেম তৌদুনা মালহনবা শিন্মীশিংনা হেন্না খোয়রাং খোয়শাওনহনগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নার/কন্সিলিএসন ওফিসর পিটর সলাম অপোকপা সলাম দিলিপকুমার থাংমৈবন্দ কব্রাবম লৈকায়দা লৈবা মীওই অসি হন্দক মণিপুরগী ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম অমদা ষ্টেটকী থাক্তা গুদ গভর্ণান্স এৱার্দ ফংখিবগা লোয়ননা শিন্মীশিংবু য়াম্না নুংশিজবা মীওই অমনি। লেবর দিপার্টমেন্টকী খ্বাইদগী চাউরবা অমত্তা ঙাইরবা শিন্মীশিংদা লেবর লোনা পীবা খুদোল অসি লেবর ইন্সপেক্টর ঐচ বিরেননা প্রোসিদ তৌদুনা চেকশিন্না পাঙথোকখিবা কন্সিলিএসন প্রোসিদিং অমগী মহয়নি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৯।২০২২ ইং, শগোলশেল; অয়ুক পুং ১১.০১ ফাওবা লাংবনগী ২০ নি পাল্লি, মতুং ২১নি পাল্লনি।

**মেষ:** লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা লৈরসু নীঙবা থুংগনি, মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি, থৌ পাঙগনি। অঙম্বনদি চানবীবা খরা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃষ:** লল্লোন ইতিক কান্নগনি। য়েক্লববু ঙমজবা, হকচাং নুংঙাইবা, মীয়াম্না থোইনা চানবীবা নুমিৎনি। অদুবু নোল্লুক্না চৎপা অমদি মীতোপকী ৱা লৌদবদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিথুন:** য়েক্লবনা তাথি-তপথৌ, ফিংবা অমদি অশাওবনা কায়নবা য়াই। অদুবু পাইরক্কী লৌশিং চাওই-কনানসু লাকচবা ঙম্লোই, নক্লবগী মতেং লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কর্কট:** অফবা মফম ফংজবা, থবক পাঙবা, শেল থুমগী লমদা থৌনা ফুদোকপা কান্নবা নুমিৎনি। য়েৎনবা অমদি হোয়া ফবদি খরা হন্থৌ-মায়থিবা লৈতনবা।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপা পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** অরাপ্পগী মীগা থৌপাঙমীন্নবদি কান্নবা ৱাৎকনি। শেন্দোং চাওনা কান্নবা, অনৌবা থৌরমদা মায় ওনশিনবা য়াবা অমদি মীচঙ লৈবা নুমিৎনি-ৱাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** হেন্না আশা চাওরুনু নচাক নরলদা তায়নগনি, অনম তানগনু, লন চৎকনি অমদি মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎকনি। থৌনাদি হনগনু, কিগনু-মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**তুলা:** শেন্দোং চাওনা ফংবা, হরাওবা নুংঙাইবা, অঙম্বনা চানবীবা অমদি মীংচৎ লৈবা নুমিৎনি। থৌনা ফুদোকপদি মতাং চারোই, ঈংথবনা হেন্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল য়াম্না নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** চরাংনবদি মাঙজগনি, অঙম্বনা য়েংথি। মীংচৎ তানবা মতাং চাবা, মরুপ মপাং অমদি নক্না লোয়নবশিংগী মতেংনা কান্নবা ফংগনি। লৌশিং চাওই।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপদি পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** মীয়ামগী মতেংনা নুংঙাইজবা, শেল থুমগী কান্নবা অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। হন্থবা লোয়নবা অমদি নাপলনা শক-চু থোক্লোই-খন্থৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীঙবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মকর:** নীঙবা মপা চাগনি, অফবা থবক পাঙগনি অমদি ওইজ-ওইথক শোয়দনা ফংগনি। মরুপ মপাংনদি তাথি-ফিংগনু, ফংবা য়াবসু পনগনি-থিজিনবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কুম্ভ:** নচাক নরলদি চাওখৎপা অমদি ঙাং-শকপা য়াম্না হৈবা লৈ। য়েৎনগদবা মরমদদি য়াওরুনু। অদুবু হেন্না চরাঙনবা অমদি খুৎ চাওবনা মাঙজবা য়াই-মীগী মতেং লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** অরানবা ৱাখলদৈ চেকশিল্লু। য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, পল্লম্বা থবক অমদি শেল থুমগী লমদা চাওনা মায় পাক্কনি। অখঙ অহৈগী ৱা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# নুমীৎ হুম্নী চত্থগদবা ট্রেনিং কম ইম্প্যুট দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোগ্রাম অমা পরসনমুন কে ভি কে ট্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : নর্সরি মেনেজমেন্ট ওফ হায় ভেল্যু ভিজিটেবল ক্রোপস হায়বা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা চত্থগদবা থৌরম অমা আই সী এ আর- কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুরনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না পরসনমুনগী কে ভি কে ট্রেনিং হোলদা হৌদোকখ্রে হায়না আই সী এ আর- কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী হেদ ইন-চার্জ এল সোমেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থৌরম অসি আই সী এ আর রিছার্স কমপ্লেক্স নোর্থ ইষ্ট রিজন মণিপুর সেন্টরগা পুল্লগা পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্ট হিল রিজনগী আই সী এ আর-আর সী মণিপুর সেন্টরগী জেইন্ট দিরেক্টর ডা. আই মেঘচন্দ্রনা লুচিংদুনা শরুক য়াখি। থৌরম অসি চুড়াচান্দপুরগী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু সোসিও ইকনমিক দিভেলপমেন্ট পুরক্লবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসিদা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট, কাংরেং ভিলেজ অমদি বোংবাল ভিলেজগী ফার্মর ২৭ রোম্না শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী হেদ ইন-চার্জ ডা. এল সোমেন্দ্রোনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখিবগা লোয়ননা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মরুওইবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মরুওইনা ফার্মরশিংদা অনৌবা নোলেজশিং হাপকৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা থৌরমনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী টেক্নিকেল সেসনদা নোর্থ ইষ্ট হিল রিজন মণিপুর সেন্টরগী আই সী এ আর -আর সীগী দিভিজন ওফ হোর্টিকলচরগী সাইন্টিষ্ট ডা. সী ঐচ প্রেমাবতিনা সাইন্টিফিক কল্টিভেসন ওফ গার্দেন পি বারগী মতাংদা ফোঙদোকখি হায়রি।

# মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন বোর্দ ওফ ট্রেদ মীটিংদা শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস) : মিনিষ্ট্রি ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ন্যু দেল্লীগী অশোকি কনভেন্সন হোলদা পাঙথোকখিবা বোর্দ ওফ ট্রেদ মীটিংদা টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনসু শরুক য়াখ্রে হায়রি।

ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা বোর্দ ওফ ট্রেদ মীটিংগী থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি পিয়ুস গোয়েল, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সোম প্রকাশ অমদি অনু প্রিয়া পটেলসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মীফম অদুদা ষ্টেট ফোর কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী মিনিষ্টর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরমদুগী মনুং চন্না টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা মণিপুরগী ট্রেদকী ওইবা পাঙথোকপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী ৱাফমশিং পল্লদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন কন্ট্রিশিং মণিপুর ফাওদুনা চৎলিবা লম্বীশিংদা মপুং ফানা শেমগৎ শাগৎলবদি হেন্না লৈবাক অসিগী কান্নবা ওইগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মোরেগী বোর্দরদা লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌরিবশিং অসিসু হেন্না পাক চাউনা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক বেহাং অমদি ন্যু সোমটালগী মফমশিং শেমগৎ-শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মহাক্না ঈ ভিজা, ট্রান্সপোর্ট পোট্রোকোল অমদি ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিংগী খুদোংচাবা লৈহন্দুনা লল্লোন-ইতিক্কী থবক্তা হেন্না খুম্মাং চাউশিন্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী দিভেলপমেন্ট পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি হায়রি।